**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 28-10-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৮-১০-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী খোঙজোম লাংঙথেল হংঙোই পার্ট হিল এরিয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎপা ঙম্লে।

২) মণিপুরদা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা মীওই ১২৪ নৌনা থেংনখিবগা লোয়ননা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা মীওই পুন্না লিশিং ৩,৪৬৫ শুরে।

**অমসুং**

৩) নাগালেন্দদা ২৮ শুবা কম্মন ৱেলথ পার্লিয়ামেন্তরি এসোসিয়েসন ইন্দিয়া রিজন জোন থ্রিগী মীফম মথং থাদা পাঙথোকবা শেম শাবা হৌরে।

**------**

**পুলিস(এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী খোঙজোম পুলিস স্তেসননা কোনবা খোঙজোম লাংঙথেল হংঙোই পার্ট হিল এরিয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎপা ঙম্লে। ফাগৎলবা খূৎলাইশিংগী মনুংদা সেভেন পোইন্ট সিক্স টুগী এস.এল.আর রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি

রাইফল অমা, পম্প এক্সন শোর্ট গন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু ৩৪৭, দবল বেরেলগী কারত্রিদজ ১৭, মেগজিন ৪ অমদি অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথরি। নিয়মগী ৱাংমদা গারি থৌবশিংগী মথক্তা পুলিসনা অকনবা থবক লৌখৎলি। নিয়ম কাইনা গারি থৌরকপশিংদা চলান ২০ কক্তুনা শেল ওইনা লূপা লিশিং ৩৩ খোমগৎলে। নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎচৈ থন্না য়াওরবা গারি ৪৮৮ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়নন্না ইম্ফালদা পুরকখ্রে। লম্বী অসিদা অশোই অঙাম থোক্তনবা চখোক চৎশিন য়াহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা থবক পায়খৎলি।

**দেঙ্গি(এল)ঃ** মণিপুরদা হৌখিবা পুং ২৪ দা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা মীওই ১২৪ থেংনখিবগা লোয়নন্না হৌজিক ফাওবদা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইখিবা মীওই পুন্না লিশিং ৩,৪৬৫ শুরে। ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসকী মীওইশিংনা য়ুমথোং খুদিংদা চথখিবা সর্ভেদা য়ুম ৩০ দা দেঙ্গিগী মহিক পুবা কাং লৈরম্বা থেংনখি। ঙরাং চথখিবা সর্ভে অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দেঙ্গি পুবা কাং লৈরম্বা থেংনখি। দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেসকী রিপোর্টকী মতুং ইন্না ঙরাং নৌনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইখিবা মীওই ১২৪গী মনুংদা ৮৭ তি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগীনি। ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ২৫, বিষ্ণুপুরদগী ১, থৌবালদগী ২, উখ্রুলদগী ৫, চান্দেলদগী ১, চুরাচান্দপুরদগী ১ অমসুং কাংপোকপীদগী মীওই ১ য়াওরি।

**মুইভা(এল)ঃ** সেনাপতি জিলাদা এন.এস.সি.এনগী লুচিংবা টি.ঐচ মুইভা হয়েং থুংলগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা জিলা অসিদা চখোক চৎশিন অমসুং সেক্যুরিতিগী চেকশিল থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। জিলা অসিগী

তোঙান তোঙানবা খুলশিংদগী মীওই কয়ানা মহাকপু তরামা ওকবা শেম শারে। লুচিংবা অসি ওকপগী থৌরমদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবা সি.এস.ও অমদি অতৈ লুচিংবশিংনা মীয়ামদা আপিল তৌরি।

**নাগালেন্দঃ** নাগালেন্দদা চহীগী ওইবা ২৮ শুবা কম্মন ৱেলথ পার্লিয়ামেন্তরি এসোসিয়েসন(সি.পি.এ) ইন্দিয়া রিজন জোন থ্রিগী মীফম মথং থাদা পাঙথোকবা শেম শাবা হৌরে। পুলিস, প্রোগ্রেস এন্দ পিপল লেজিস্লেচর এস কেতলিষ্ট ওফ চেঞ্জ হায়বা হীরমদা পাঙথোক্কদবা মীফম অসি মথং থাগী ৯ দগী হৌরগা ১৩ ফাওবা নাগালেন্দ বিধান সভা পাঙথোক্কনি।

সি.পি.এ ইন্দিয়া রিজন জোন থ্রি অসিনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং কোকহন্নবা অমসুং রাজ্যশিং অসি শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা মরুওইবা ফম্পাক অমা ওইরি। নাগালেন্দ বিধান সভা সেক্রেটরিয়েট ইন চার্জ খ্রুহিতোনুৱো রিওনা হায়-মীফম অসিদা লোক সভা অধক্ষ্যা ওম বিরলা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওনা সভাপতি ওইদুনা মীফম অদু হৌদোক্কনি। মহাকা হায়-নুমিৎ মঙানি চথুগদবা মীফম অসিদা অখঙ অহৈশিংনা ৱাফম কয়া খন্নবা, ৱার্কশোপ, এগজিবিসন অমদি নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া উৎকনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা নিউ দেল্লিদা পাঙথোক্লিবা ইন্তরনেসনেল সোলর এলাইয়েন্সকী ৮ শুবা মীফমদা ঙসি ৱা ঙাংগনি। নিউ এন্দ রিন্যুয়েবল ইনর্জি মন্ত্রি পর্লাহদ জোসিসু মীফম অদুদা ৱা ঙাংগনি। নুমিৎ মরিনিগী মালেমগী ওইবা মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১২৪না শরুক য়ারি। মালেমগী হীরম অসিগা মরী লৈনবা মন্ত্রি ৪০ রোমনা শরুক য়ারিবা মীফম অসিনা সোলরগী লমদা মালেমগী লৈবাকশিং পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মশা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা অকনবা থবক পায়খৎমিন্নগদৌরি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভিক্সিট ভারত ক্ব্যজ কম্পিতিসনদা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা শরুক য়ানবা হায়রি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ভিক্সিট ভারত য়ং লিদর্স দাইলোগ ২.০ অসিনা জাতি অসিবু মপুং ফানা চাউখৎনবা শেমগৎপদা নহাশিংনা শরুক য়ানবগী খুদোংচাবা পীরি। ক্ব্যজ অসি য়াওনিংবা মীওইশিংনা থা অসিগী ৩১ ফাওবা মনুংদা শরুক য়াবা য়াগনি। ভিক্সিট ভারত ক্ব্যজ কম্পিতিসন অসি মথং চহীগী জনুৱারিগী ১০দগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**উরিষাঃ** নোংলৈ নুংশিৎ মোন্থানা মরম ওইদুনা শোকহল্লক্কদবশিং থেংননবা উরিষা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলে। রাজ্য অদুগী ফায়র সর্ভিস টিম, উরিষা দিজাস্তর রেপিদ এক্সন ফোর্স অমদি নেসনেল দিজাস্তর রেস্পোন্স ফোর্সনা উরিষাগী খা থংবা শমুদ্র খোঙবালদা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈদুনা কুপশেন শেন্নরি। নোংলৈ নুংশিৎ অদুগী শাহুমনা রাজ্য অদুদা নোং কা হেন্না চুবদগী শোকহল্লবা মফমশিং হান্নগী ফিভমদা শেমজিন্নবা অকনবা থবক লৌখৎলে। অকুৎপা মফমশিংদগী ঈশিং চিথবা, হিদাক লাংথক্কী পোৎলমশিং নিংথিনা পীবা অমদি অতৈ তঙাইফদবা পোৎলম কয়া শোকহল্লবা মফমশিংদা য়েন্থোকপগী থবক চথুরি। অকুৎপা মফমদা লৈবা মীওইশিং সরকারনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। রাজ্য সরকারনা হাংবা সেলতরশিংনা হৌজিক অয়ুক ফাওবদা মীওই লিশিং ৩৫,৬১২ শাফগদবা মফমশিংদা থাংদোরক্লে।

**নদ্দাঃ** নোংলৈ নুংশিৎ মোন্থানা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা দলগী য়ুনিট খুদিংমকা তেংবাংবগী থবক চথনবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট জে.পি.নদ্দানা খঙহনখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহল্লবা মফমশিংদা বি.জে.পিগী কর্মিশিংনা তেংবাং পীবগী থবক চথুগদবনি অমসুং তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগা লোয়নননা হিদাক

লাংথকসু পীগদবনি। মীয়ামবু মতৌ করমা লূনা নান্না অমদি অশোই অঙাম থোক্তনা লৈহনগদগে হায়বগী মতাংদা নিংথিনা খঙহনগদবনি। নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহল্লবা খুদিংমক তেংবাং পীবা অমসুং মী কনবগী থবক চথনবা শ্রী নদ্দানা দলগী কর্মিশিংদা খঙহল্লি।

**সিভরাজঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি সিভরাজ সিংহ চৌহাননা তেলঙ্গনা, উরিষা, মহারাস্ত্র অমসুং মধ্য প্রদেশকী ২০২৫-২৬কী নিংথম লৌরোক্কী লূপা কোতি লিশিং ১৫ গী প্রোক্যুরমেন্ট প্লান অয়াবা পীখ্রে। লৌউ শিংউ মন্ত্রালয়না ঙরাং থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-শ্রী চৌহাননা ৱাফম অসি প্রধান মন্ত্রি অনা দাতা এ.এ.ৱাই সনরক্সন অভিয়ানগী মখাদা পায়খৎপা স্কিমশিংগী মতাংদা পাঙথোকপা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাকা হায়-শেনফমশিং অসি লৌমীশিংনা মহৈ মরোংশিং থাবা মতমদা শিজিন্নবা অমসুং কৈথেলদা য়োনবা মতমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খরমখৈ কোকহনবা ঙম্লগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বঙ্গলাদেশকী য়ুনুসনা পাকিস্তানদা পীবা মেপতা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং য়াওরে, লম শিজিন্নবগী মওং হোংলকপনা লোক্তাক পাৎতা চৈথেং ফংলি অমসুং সেনাপতিদা টি.ঐচ মুইভা লাকবগী শেম শাবা লোইরে হায়বা পাউশিং অসিনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

লোক্তাক পাৎকী বাইওদাইভর্সিতি অমসুং অকোইবদা লৈরিবা মীয়ামগী হিংবগী পান্থৈদা চৈথেং পীরে হায়না- হুইয়েন লানপাউগা অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউদা- স্তদি অমগী মতুং ইন্না লম শিজিন্নবগী মওং হোংলকপনা লোক্তাক পাৎতা চৈথেং ফংলি, ঙা মশিং হন্থরক্লি, মোৎপগী

চাং হেনগৎলক্লি, পাৎসু থেনগৎলক্লি হায়না- সনালৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। নাগালেন্দ য়ুনিভর্সিতিনা চথুখিবা স্তদিগী মতুং ইন্না লোক্তাক্কী অকোইবগী ফিভম শোকচিল্লক্লে হায়না- মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- এম.এল.এ লোকেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম প্রসিদেন্টস রুলনা মীয়ামগী অৱাবা হেনগৎহল্লে, নৌনা ভোট তৌবনা হেন্না ফগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দ্রগ য়ুজরশিংবু নমফুদা লায়েংনবা হোৎনবদা স্যুসাইট তৌহন্নিংবগী চাং ৱাংবা থেংনরি হায়না- নহারোলগী থৌদাংদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

লুচিংবশিংগা মুকরিঙৈ নোর্থ ইষ্টকী তুংলমচৎ অকিবগী মশক ওইরকখ্রে, বঙ্গলাদেশনা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মেপ পাকিস্তানদা খুদোল তমখ্রে হায়না- সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউদা- য়ুনুসনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং য়াওবা গ্রেতর বঙ্গাদেশকী মেপ পাকিস্তানদা খুদোল তমখ্রে হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী থৌদোক কনাগী মতমদা থোকপনো হায়বদু পুৱারি ওইরগনি হায়না এম.পি.ডা.বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা থুইঙালেং মুইভা ওকবা শেম শারে হায়না- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ- চম অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

এক্তিভিস মালেম থোঙামনা সাইক্লিং ফোর মণিপুর পিছ খোঙচত্তা বিহারগী বুক্সার য়ৌখিবগী পাউ- গানফিউ মেলদা হেদলাইন তৌরি।

নাগালেন্দগী নিউলেন্দ জিলাদা অমুর ফেলকোন পাইরকপা হৌরে হায়না- তামেংলোং তাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**